# ঙসিদগী হৌগদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমদা গভর্ণমেন্টনা বিল ৩১ পুথোক্কদৌরি



ন্যু দেল্লী, জুলাই ১৮ (এজেন্সী):
নিংথৌকাবা নুমিত্তগী হৌগদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমদা সেন্টরনা ফাইনান্সকা মরী লৈনবা বিল অনী য়াওনা পূন্না বিল ৩১ পুথোক্কুনা পাস তৌনবা হোৎনগনি হায়না পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়র্স মিনিষ্টর প্রহ্লাদ জোসিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ওল পার্টি মীফমদা ফোঙদোকখ্রে।

বিলশিংদুগী মনুংদা বিল অহুমদি হন্দক্তা ইস্যু তৌখিবা ওর্দিনান্সশিংগী মহুৎ শিন্নবনি। সেসন হেক হৌবগা ওর্দিনান্স হায়বসি নুমিৎ ৪২গী মনুংদা বিল ওইনা পাস তৌবা চঙই।

হৌখিবা জুন ৩০দা ইস্যু তৌখিবা ওর্দিনান্সশিংগী মনুংদা ওর্দিনান্স অমনা ইসেন্সিএল দিফেন্স সর্ভিসশিংগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা এজিটেসন অমসুং ষ্ট্রাইক তৌবদা অথিংবা থন্মী।

গভর্ণমেন্টনা ওর্দিনান্স ফেক্টরি বোর্দ (ও এফ বি) কোর্পোরেসন ওন্থোক্নবা লৌখিবা ৱারেপ্পু প্রোটেষ্ট তৌনবা জুলাইগী অথেংবা শরুক্তগী মতম কক্তনা ষ্ট্রাইক তৌরগনি হায়না বোর্দ অসিগী মরু ওইবা ফেদরেসনশিংনা লাউথোকখিবদগী গভর্ণমেন্টনা ইসেন্সিএল দিফেন্স সর্ভিসেস ওর্দিনান্স ২০২১ অসি ইস্যু তৌখিবনি।

জুলাই ১২দা ইস্যু তৌখিবা লোক সভাগী বুলেটিন অমগী মতুং ইন্না, ইসেন্সিএল দিফেন্স সর্ভিস বিল ২০২১না ওর্দিনান্স অদুগী মহুৎ শিনগনি। কম্মিসন ফোর এয়র ক্বালিটি মেনেজমেন্ট ইন নেসনল কেপিটেল রিজন এন্দ এদজোইনিং এরিয়াজ বিল, ২০২১ অসিসু ওর্দিনান্স অমগী মহুৎ শিন্নবা পুথোক্কদৌরিবনি।

পার্লিয়ামেন্টকী প্রেমিসেসতা পাঙথোকপা ওল পার্টি মীটিং অমা চেয়র লৌখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পার্টি খূদিংমক্তা বিজনেস নীংথিনা কন্দক্ট তৌবা অমসুং লেজিসলেসনশিং অসিবু পাস তৌবদা মতেং কোওপরেসন পীনবা আপীল তৌখি। ওল পার্টি মীটিং অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা নুমিৎ ১৯ নিগী সেসন অদুদা ৱাহন্থোক লৈনা খন্ন-নৈননবা পার্টি পূন্নমক্তা আপীল তৌখি হায়না জোসিনা ফোঙদোকখি।

পার্লিয়ামেন্টরিয়নশিংনা সেসন অদু ঈংনা চিক্লা পাঙথোকপা সেসন অমা ওইহনগদবনি হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ইস্যু খূদিংমক দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা খন্নগদবনি অমসুং হাউস চল্লাইবদা পার্টি খূদিংমক্না কোওপরেসন পীগদবনি।

দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর পিয়ুশ গোয়ল, লোক সভাদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা ওইরিবা অধির রঞ্জন চৌধুরি, ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী এম পি দেরেক ও ব্রিএন, দি এম কেগী তিরুতি সিভা অমসুং অতৈ কয়ানা ওল পার্টি মীটিং অদুদা শরুক য়াখি।

বোর্দর ইস্যু, পেট্রোল, অমসুং দিজলগী মমল ৱাংলকপদা, কোভিদকী অনীশুবা ৱেভতা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী অশোয়বা কয়া উখিবা য়াওনা ওপোজিসননা মখল মখা কয়াগী ইস্যুশিংদা গভর্ণমেন্টপু চপখৎনবা শেম শাখিবগা লোয়ননা নোংজু মীফম অসি ঈংনা-চিক্লা চথবদি ওইরোইদৌরি।

## নোং কন্না চুবদগী লেন্দস্লাইদ অমসুং য়ূম তেকপদা মীওই ২৪ শিরে

# পি এমনা লুপা লাখ ২গী এক্স-গ্রেসিয়া লাউথোকখ্রে



মুম্বাই, জুলাই ১৮ (এজেন্সী):
হৌখিবা অহিংদগী নোং কন্না চুবদগী মুম্বাই অমসুং মুম্বাই মেট্রোপোলিটান রিজনদা অমাঙ-অতা কয়া থোকখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৪ শিখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা বি এম সিং দিজাষ্টর কন্ট্রোলনা ফোঙদোরক্লি।

এম আই সী মুম্বাইগী মতুং ইন্না, মীয়াম্না তুম্নরিঙৈ অহিং নোংয়াইদগী পুং ৩-৪ ফাওবগী মনুংদা সিটি অসিগী মফম খরদা নোং এম এম ১৯৭ তগী এম এম ২৩৫ হেন্না চুখি। মফম কয়া ঈশিং থুমজিনবগা লোয়ননা লম্বী চথোক-চৎশিন অমসুং রেল ত্রাফিকতা চাওনা অকায়বা পীখি।

বি এম সী দিজাষ্টর সেল অমসুং এন দি আর এফনা ফোঙদোরকপদা, মুম্বাই অমসুং অকোয়বা মফমশিংদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী লেন্দস্লাইদ থোক্তুনা মফম কয়াদা য়ূম তেকপা অমসুং নিংখায়বনচিংবা থোক্তুনা য়ামদ্রবদা মীওই ২৪ শিখ্রে। মাহুল এরিয়াদা লৈবা ভারতনগর ভাসি নাকা লোকেলিটিদা লেন্দস্লাইদ থোকপদগী কম্পাওন্দ ৱাল অমা নিংখায়রক্তুনা য়ূম খরদা তাশিল্লকপদগী য়াল্লবদা মীওই ১০ হেন্না শিখি। রিটেনিং ৱাল অদু নোংয়াই মতুং পুং ১ তাবদা নিংখায়রকখিবনি। থৌদোক অদুদা মীওই ২ শোকখি। অতোপ্পা থৌদোক্তা ভিখ্রোলি ইষ্টমী সুর্য়ানগরদা লৈবা স্লমশিংদা য়ূম নিংখায়রকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ৩ শিখি।

চহী ১৬ শুরবা সোহম এম কৌবা নুপামচা অমা নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা য়ূমগী ফক্লাং নিংখায়রকপদগী নন্দুনা শিখি। অন্ধেরি ৱেষ্টতা মশাগী চহী ২৬ শুরবা মীওই অমা মহাক্কী অথুম অহাও য়োনবা দুকানদা মৈনা চিংদুনা শিখি। থৌদোকশিং অদুদা অশোক অপন নংখিবা মীওই কয়া তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

বি এম সীগী গেজশিংনা সাওথ মুম্বাইদা নোং এম এম ১৭৭ রেকোর্দ তৌখি। ইষ্টর্ন সর্ব্বশিংদা এম এম ২০৫ অমসুং ৱেষ্টর্ন সর্ব্বশিংদা এম এম ১৯৫ রেকোর্দ তৌখি। খরা কুখবা মফমশিংদা লম্বীদা ঈশিং খ্বাং য়ৌখি, য়ূম অমসুং দুকানশিং ঈশিং থুমখি।

অহিং নোংয়াইদগী নোং কন্না চুবা হৌরকখি অমসুং পুং কয়া লেপ্তুনা চুখি। সিটি অসিগী অয়াম্বা মফমশিং ঈশিং থুম্বদা নত্তনা সমুদ্র মপানগী দিষ্ট্রিক্টশিং- সিনধুদুর্গ, রত্নগিরি, রাইগাদ, থানে অমসুং পালঘারদসু ঈশিং থুমখি।

নোং কন্না চুবদগী মুম্বাইগী মফম কয়াদা মীশি-মীনা কয়া থোকখিবসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং লৈখিদ্রবশিংগী ইমুংশিংদা লুপা লাখ ২/২গী এক্স-গ্রেসিয়া পীরগনি অমসুং অশোকপশিংদনা লুপা লিশিং ৫০/৫০ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

শেনফম অদু মীয়াম্না কৎলকপা শেনফমগা লোয়ননা শেম্বা, বজেটরি সপোর্ট য়াওদবা প্রাইম মিনিষ্টর্স নেসনল রিলীফ ফন্দ (পি এম এন আর এফ) দগী পীগদৌরিবনি।

## লৌমী ১ মিনিষ্টরনা মতেং পাংলগনি

হায়দরবাদ, জুলাই ১৮ (এজেন্সী):
মশাগী অরুবা সর্জরি অমা পাঙথোক্লুবা তুংশিন্দুনা থন্বা লুপা লাখ ২ উচিনা চাথোকপীখ্রবা টেলঙ্গনাগী লৌমী অমা ষ্টেট অসিগী ত্রাইবেল, ৱিমেন এন্দ চাইল্দ ৱেলফেয়র মিনিষ্টর সৈত্যভতি রাথোরনা মতেং পাংবীরগনি। নোংমাইজিং নুমিৎতা মিনিষ্টর অসিনা রেদিয়া নাইক কৌবা লৌমী অদুদা মহাক্কী অপাম্বা হোস্পিটালদা সর্জরি তৌনবা শীনগনি অমসুং মঙোন্দা শেলগী মতেংসু পাংলগনি হায়না থাজবা পীখি।

লৌমী অদুনা ৱানা শুদুনা তুংশিঙবা শেল উচিনা চাথোক্তুনা মাঙহনখিবগী পাউ তারবা মতুংদা মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি। মহাক্না মন্দল রেভিন্যু ওফিসর অমা থাদুনা লৌমী অদুবু থেমহনখি। শেল মাঙখিবা নৎত্রগা মশাগী অনাবগা মরী লৈননা লৌমী অসিনা ৱাখল ৱাবা তৌরোইদবনি। মঙোন্দা মতেং পূন্নমক পীরগনি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

## বিহারদা হু চেনবা য়ু থকপদগী মীওই ১৬ শিরে

পটনা, জুলাই ১৮ (এজেন্সী):
হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা বিহারগী ৱেষ্ট চম্পারান দিষ্ট্রিক্টতা হু চেনবা য়ু থক্লুবদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১৬ শিখ্রে অমসুং মীওই ১২ হেন্না অরুবা ফিভমদা লায়কন্নরি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

লোনা য়াদবা হু চেনবা য়ু থকপদগী মীশি-মীনা কয়া থোক্লিবদুগা মরী লৈননা বিহার এসেমব্লিগী ওপোজিসন লীদর টেজাশ্ৱি য়াদবনা নিতিশ কুমার গভর্ণমেন্টপু চৈ-থাংখ্রে।

টেজাশ্ৱিনা হায়খি, সী এম নিতিশ কুমারনা বিহারগী লিকর মাফিয়া শৌগৎলি। মহাক্না লিকর মাফিয়াবু বিহারদা অথিংবা থন্বা পোৎশকশিং লোন্না পুশিনবা অমসুং লল্লোনবা য়াহল্লি। মহাক্কী পুলিসনা অসিগুম্বা কেসশিংগা মরী লৈননা লায়রবা অমসুং মরাল লৈজদবা মীওইশিংবু বূক তৌখি। মখোয়না বিহারগী লায়রবা অমসুং দলিতশিংবু জেলদা থন্মী।

অমরোমদা, বিহারগী ইন-চার্জ ওইরিবা কোংগ্রেস লীদর ভক্ত চরন দাসনা থৌদোক অসিগী মতাংদা পেরেলেল ইনভেষ্টিগেসন অমা পাঙথোক্লুবা ৱারেপ লৌখ্রে।

দাসনা হীরম অসিগী মতাংদা হায়খি, থৌদোক অদু তোঙান্না থিজিন্নবা ৱেষ্ট চম্পারন দিষ্ট্রিক্টকী বেটিয়াদা ঐখোয়না দেদিকেটেদ টিম অমা থারগনি। মসিনা থৌদোক অদুগী চপ চাবা মরমশিং অমসুং শিরিবা মীশিংগী চপ চাবা মশিং খঙবা ঙমহল্লগনি। টিম মেম্বরশিংনা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুংশিংগসু উনগনি। লোকল পুলিসনা থৌদোক অদুগী ফেক্টশিং অমসুং মরমশিং লোৎশিন্নবা হোৎনরি হায়না দাসনা ফোঙদোকখি।

মফম অদু দেপ্যুটি সী এম রেণু দেভিগী সিট মনুং চল্লি হায়না পল্লদুনা দাসনা হায়খি, দেপ্যুটি সী এমনা লুরিয়া ব্লোক্কী অৱাবা নংলবা ইমুংশিংদা চৎতুনা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুংশিংগা উনগদবনি।

দিয়ুর্ভা অমসুং তায়নবা ভিলেজশিংগী খুঞ্জা কয়া হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা হু চেনবা য়ু থক্লুবদগী নারকখি। শগোলশেন নুমিৎতা মী শিবা হৌখি।

# গেংষ্টর দুবেগী লোয়নবীনা থাবা বেল প্লি হায় কোর্টতা রিজেক্ট তৌখ্রে

প্রয়গরাজ, জুলাই ১৮ (এজেন্সী):
বিক্রুদা চথখিবা এন্কুশকী থৌদোক্তা চেন্নবা একুজশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা পুলিসনা হাৎখ্রবা গেংষ্টর অমর দুবেগী চহী নৌরিবী লোয়নবী কুশি দুবেনা থারকখিবা বেল প্লি এলাহবাদ হায় কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

হৌখিবা চহীগী জুলাই ৩দা গেংষ্টর ভিকাস দুবে অমসুং মহাক্কী খোঙলোইশিংনা বিক্রুদা চথখিবা এন্কুশ অদুদা পুলিস পর্সনল নিপাল শিখিবনি।

খুশি দুবেনা থারকপা রিভিজন পিটিসন রিজেক্ট তৌরদুনা জষ্টিস জে জে মুনিরনা হায়খি, কেস অদু কূপ্না য়েংশিনবা মতমদা রিভিজ নিষ্ট চেন্নরিবা থৌদোক অদু অচম্বা থৌদোক অমনি হায়বা য়াদে। পুলিস পর্সনল নিপাল হাৎপগা লোয়ননা অতৈ পর্সনল নিপাল শোকহনখিবদু



কিনিঙাই ওইরবা ক্রাইম অমা ওইবদা নত্তনা ষ্টেটকী ওথোরিটিদসু চাওনা শীংনখি। ফৎত্রবা থবক অদুবু পাঙথোক্লিবা মীওইশিংগী ৱাখলদা ষ্টেটপু কদাই ফাওবা য়ৌনা কীখিদে হায়বসি থৌদোক অদুনা উৎচৈ হায়না কোর্টনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পিটিসনরগী কাওন্সেলনা হায়খি, এন্কুশ অদু থোকখিবা নুমিৎতা কুশি চহী ১৬ কা থা ১০তমক শুখি। মহাক থৌদোক অদু থোক্লিঙৈ নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ভিকাশ দুবেগী মরী-মতা অমর দুবেগা লুহোংখি।

পিটিসনরগী মতুং ইন্না, মহাক ভিকাস দুবেগী গেং মেম্বর অমা ওইখিদে। থৌদোক থোকখিবা নুমিৎতুদা মখোয় বিকাসকী য়ূমদা চৎখি। মহাক থৌদোক অদুদা চেন্নখিদে।

হৌখিবা ২০১০গী জুলাই ৩ দা গেংষ্টর ভিকাস দুবে ফানবগীদমক্তা উত্তর প্রদেশকী কানপুর নগরগী মনুং চনবা বিক্রু খুঙ্গংদা লৈবা মহাক্কী য়ূমদা পুলিস টিম অমা চৎখিবদা এন্কুশকী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

থৌদোক অদুদা হিংহৌবা পুলিস পর্সনলশিংগী ষ্টেটমেন্টতা এটেক অদুদা খুশি দুবেসু মরু ওইবা থৌদাং লৌখি হায়না পনবদগী ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা বেল প্লি অদু ওপোজ তৌখি।

## হার্দকোর মাওইষ্ট ২ সরেন্দর তৌখ্রে

ভুবনেশ্বর, জুলাই ১৮ (এজেন্সী):
শেলগী মনা লাউথোকখ্রবা হার্দকোর মাওইষ্ট অনী নোংমাইজিং নুমিৎতা উরিষা পুলিসতা সরেন্দর তৌরক্লে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

অথিংবা থমখ্রবা সী পি আই (মাওইষ্ট)কী এরিয়া কম্মিটিগী মেম্বর অমসুং পালাচলম এল ও এস (লোকল ওর্গনাইজেসন স্কৱাদ) কী কমান্দর রামে পোদিয়ামি অমসুং দালদালি সেলগী সেক্রেটরি অমসুং পি এম ওইনা থবক তৌবা রাইধর ধুরুনা পুলিসতা সরেন্দর তৌখি।

সবিতা অমসুং ৱাইধর ফানবগী পাউ পীবদা মথংশীৎনা শেলগী মনা লুপা লাখ ২ অমসুং লুপা লাখ ১ পীগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি। মখোয় অনীমক নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্তা মালকানগিরি এস পিগী ওফিসতা সরেন্দর তৌখিবনি। মাওইষ্টশিংগী মরক্তা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন হেনগৎলকপদগী পুলিসনা মখোয়বু কোইশিন্দুনা থল্লকপগা লোয়ননা মাওইষ্ট লীদরশিং সরেন্দর তৌনরকখি।

দি জি পি অবোইনা হায়, ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী সরেন্দর অমসুং রিহেব্লিটেসনগী অফবা পোলিসি অমা লৈরে। মাওইষ্টশিংবু লৈবাক্কী মহৌশাগী ঈচেলদা তিলহন্নবা ঐখোয়না লেপ্তুনা হোৎনরি। মাওইষ্ট লুচিংবশিংনা সরেন্দর তৌরিবা অসিনা অতৈ মাওইষ্টশিং সরেন্দর তৌনিংবগী ৱাফম পোকহন্দুনা লৈবাক্কী ঈচেলদা তিলহনবদা মতেং পাংলগনি।

# লুপা ক্রোর অনীগী হশিশ ওইলগা কোন্ননা দ্রগ য়োনবা মীওই অনী ফারে

বেঙ্গলুরু, জুলাই ১৮ (এজেন্সী):
ষ্টেট অমদগী অমদা চথোক-চৎশিন তৌদুনা দ্রগ য়োনবা মীওই অনী লুপা ক্রোর ২ রোমগী হশিশ ওইলগা কোন্ননা ফারে হায়না বেঙ্গলুরু পুলিসনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোরক্লি।

সাওথ ইষ্ট দিভিজন পুলিসকী মতুং ইন্না, মীওই অনী অদু ইরাই নুমিত্তা ফাখিবনি। মখোয় মশক খঙলে, মোহম্মদ ইর্ফান (২৪) অমসুং তারিখ অজিম (২৫) কৌই। মখোয় অনীমক কেরলাদগীনি।

পুলিসনা হায়, সাদুগুন্টেপালয়া পুলিসনা জুলাই ১৪দা কোইচৎ চৎলগা দ্রগ য়োনবা মীওই অমা ফাখি। কূপ্না ইনক্বারি তৌবদা মহাক্না মীওই অনী অসিগী নেটৱর্ক তাকথোরকখি। মহাক্না ফোঙদোরকপসিদা য়ূম্ফম ওইরগা পুলিসনা লাং থাকখি অমসুং মখোয়বু ফাখি।

সদুগুন্টেপালয়া পুলিস টিমনা একুজ অনীসিদগী হশিশ ওইল কে জি ৪ ফংখি। অথিংবা থল্লিবা পোৎশক অসি মখোয়না টৈকিশিং অদু অরিংবা ইমুংগী কোলেজ মহৈরোয়শিংদা য়োল্লি। ইন্টর-ষ্টেট দ্রগ লল্লোনবা অনী হশিশ ওইল কো জি ৪গা কোন্ননা ফাখিবা সুদুগুন্টেপালয়া পুলিস টিমবু বেঙ্গলুরু পুলিসকী কম্মিস্নর কমল পন্টনা থাগৎখি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, একুজ অনী অসিনা অথিংবা থমখ্রবা ময়াই কাবা পোৎলমশিং অদু অন্ধ্র প্রদেশতগী লৈখি অমসুং বেঙ্গলুরুদা লৈবা কোলেজশিংগী মহৈরোয়শিংদ য়োনখি।

# কনৱার য়াত্রা কেন্সেল তৌবগী ৱারেপ শৌগৎখ্রে

প্রয়গরাজ, জুলাই ১৮ (এজেন্সী):
কোরোনাভাইরস পেন্দমিকনা মরম ওইদুনা য়ু পিদা কনৱার য়াত্রা কেন্সেল তৌনবা য়োগি অদিত্যনাথ গভর্ণমেন্টনা লৌখিবা ৱারেপ অখিল ভারতিয়া অখারা পরিষদ (এ বি এ পি)না শৌগৎখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা য়াত্রা অদু কেন্সেল তৌনবা হায়রকপদগী থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা কনৱার এসোসিএসনশিংনা য়াত্রা অদু কেন্সেল তৌনবা ৱারেপ লৌখি।

উত্তরাখন্দ কনৱার য়াত্রা কেন্সেল তৌখ্রবনি। এ এ পিগী প্রসিদেন্ট মহান্ত নরেন্দ্র গিরিনা হায়, অখণ্ড অহৈশিংনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী অহুমশুবা ৱেভ লাক্কনি হায়রিবসি য়েংদুনা অখরা পরিষদকী মহুৎ শিন্দুনা ঐহাক্না শিব দিভোটীশিংদা কনৱার য়াত্রা পাঙথোক্তনবা আপীল তৌরি।

দিভোটীশিংনা য়াত্রা পাঙথোকপগী মহুত্তা য়ূম য়ূমদা লৈখোম্না শাবা শিবলিঙ্গ থমদুনা গঙ্গাগী ঈশিং কৎপা য়াই নৎত্রগা মখোয়গী খুঙ্গংদা লৈরিবা অনকপা পুখ্রিদগী ঈশিং শীজিন্নবসু য়াই। গিরিনা মখা তানা হায়খি, চীফ মিনিষ্টরনা কোভিদ প্রোটোকোলশিং ঙাক্লগা কনৱার য়াত্রা পাঙথোকহনবা পাল্লবসু দিভোটীশিংনা পেন্দমিক অসিগী অহুমশুবা ৱেভ লাকহনবদা মতেং পাংদনবগীদমক্তা য়াত্রা অসি লেপকদবনি।

## য়োগিনা কল্যানগী অনাবা হংখ্রে

লক্ষ্ণৌ, জুলাই ১৮ (এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিলদা সঞ্জয় গান্ধি পোষ্ট গ্রেজুএট ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এস জী পি- জি আই এম এস)তা চৎতুনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর কল্যান সিংহগী হকচাংগী ফিভম হংখ্রে।

পি জি আইগী হেল্থ বুলেটিন মতুং ইন্না কল্যান সিংহগী ফিভম থাংজ নুমিৎতা শোকচিল্লকখি। মহাক মবুক কংখৎলকপগা লোয়ননা শ্বর হোনবদা ৱাখি। বুলেটিন অদুনা মখা তানা হায়, ওক্সিজেন থেরাপি হৌবগা লোয়ননা মথৌ তাবা ব্লদ টেষ্ট পূন্নমক পাঙথোকখি। ন্যুরোলোজি, কার্দিওলোজি, গ্যেষ্ট্রো-মেদিসিন, গ্যেষ্ট্রো-সর্জরি, নেফ্রোলোজি অমসুং পলমোনরি মেদিসিনগা মরী লৈনবা কন্সলটেন্সি, ঈ সী ঐচ ও অমসুং য়ু এস জি ইমেজিং পাঙথোকখি অমসুং থেরাপি কনশিনখি।

## ‘পণ্ডিতশিং হল্লক্নবগী থৌরাং লৌখৎকদবনি’

শ্রীনগর, জুলাই ১৮ (এজেন্সী):
নমদুনা ময়ূম থাদোক্তুনা চেলহনখিবদগী হৌজিক্লা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা কাশ্মিরি পণ্ডিতশিং হল্লকপদা খুদোংচাহনগদবা থৌরাংশিং লৌখৎনবা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী লেফ্টনেন্ট গভর্ণর মনোজ সিনহানা গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংদা আপীল তৌখ্রে।

দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট, রিলীফ, রিহেবিলিটেসন এন্দ রিকন্সট্রক্সন (দি এম আর আর এন্দ আর) দিপার্টমেন্ট রিভিয়ু তৌনবা থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মীফমদা ৱা ঙাঙলদুনা সিনহানা হায়খি- দেল্লী, মুম্বাই, চেন্নাই অমসুং লৈবাক অসিগী অতৈ মফম কয়া অমদি মপান্দা কাশ্মিরি পণ্ডিত ইমুং য়াম্না লৈ। মখোয় ময়ূমদা হল্লক্লিংবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা য়ু টি এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসলশিংনা মখোয়গা ফাওননবা হোৎনবগা লোয়ননা মখোয়না মরমদা হল্লকপদা খুদোংচাহনগদবা থৌরাংশিং লৌখৎকদবনি।

## ꯁ꯭ꯔꯤꯁ꯭ꯔꯤ / শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নম :



পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাই পূন্নমক্কা লৈমিন্নরম্বী **চবুংবম ওংবী লৈশাংথেম নিঙোল ইবেতোম্বী দেবী**-না মহাক্কী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূন্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ১৫/০৭/২০২১ ইং, ইঙেনগী ৫নি পানবা শগোলশেল নুমীৎতা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রী কৃষ্ণ চৈতন্য থকুরানী দাসিনি হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন্দ প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ২০/০৭/২০২১ ইং, ইঙেনগী ১১নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা আষ্ঠি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ২৮/০৭/২০২১ ইং, ইঙেনগী ২০নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা শ্রাদ্ধ দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবী বৈষ্ণবীগীদমক ঙমজবা হৈ-লৈ খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রা মহাপ্রভুগী চরন্দা কৎচগদৌরি।

কোভিদনা মরম ওইদুনা ইমুং-মনুং খক্তনা লাইগী থৌরম পাঙথোকচরগনি।

থৌরম পরেং:-
অয়ূক পুং ৮:০০ - ভেগ কৎপা
অয়ূক পুং ০৮:৩০ - সঙ্কীর্ত্তণ হৌবা
অয়ূক পুং ১১:০০ - শ্রাদ্ধ লোইবা

বিনিতগণ ঃ-
চবুংবম মধু সিংহ (মপুরোইবা) অমদি ইমুং-মনুংশিং
ক্বাকেথেল থৌনাওজম লৈকাই, ইম্ফাল।
HL-P/6335/19

## ꯑꯔꯥꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄ/ অৱাবা ফোঙদোকপা



হৌখিবা তাং ১২/০৭/২০২১ ইং, ইঙেনগী ২নি পানবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা ঐখোয় খ্বাইবু কোনবীরম্বা **শ্রী সাইখোম জাতিস্বর (লুখোই) সিংহ**-না শ্রী গুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রী কৃষ্ণ চৈতৈন্য মদন মোহন দাস হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে। মরম অসিনা লৈখিদ্রবগী মরুপ-মপাংশিং লোয়ননা ঐখোয়না শক খঙজহৌদ্রবা পূন্নমক্তা মতম চানা পাউ ফাওজবা ঙমহৌদবগীদমক ঙাকপীয়ু হায়জরি।

লাক্লিবা তাং ১৭-০৭-২০২১ ইং, ইঙেনগী ৮নি পানবা থাংজ নুমীৎতা অষ্ঠি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা তাং ২৫-০৭-২০২১ ইং, ইঙেনগী ১৬/১৭ নি পানবা নোংমাইজিং নুমীৎ অসিদা শ্রাদ্ধ দিন থোক্লে।

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈবাক্কী অথিংবা লৈবা মরম্না ইমুং-মনুং খক্তনা থৌরম পাঙথোকচবগীদমক খ্বাই পূন্নমক্না ঙাকপীয়ু হায়না থম্মোয় শেংনা হায়জরি।

পাউজেঞ্জরিবা : **সাইখোম সান্তীবালা দেবী**
অমদি মাগী ইমুং-মনুং
চানা মনিং লৈকাই, ইম্ফাল ইষ্ট
HL-P/6339/19

## ꯁ꯭ꯔꯤꯁ꯭ꯔꯤ / শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নম :




পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাই পূন্নমকপু কোনবীরম্বা **ৱাহেংবম বুধা সিংহ**-না হৌখিবা তাং ১৬/০৭/২০২১ ইং, ইঙাগী ৬/৭ নি পানবা ইরাই নুমীৎতা মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ, খ্বাই পূন্নমকপু থাদোকপীরম্লগা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা “শ্রীকৃষ্ণ চৈতৈণ্য বুধচন্দ্র দাস” হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ২১/০৭/২০২১ ইং, ইঙাগী ১২ নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা অষ্ঠি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ২৯/০৭/২০২১ ইং, ইঙাগী ২১ নি পানবা শগোলশেন নুমীৎতা চিড়া উসব দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী আত্মা-শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রা মহাপ্রভুগী চরন্দা কচ্চগদৌরি।

হৌজিক-হৌজিক কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইদুনা লৈবাক্কী অথিংবা লৈবনা থৌরমশিং অসি ইমুং-মনুংনা অয়ুক্তা লাইগী ওইবা থৌরমতমক পাঙথোকচরগা লোইশিঞ্জরগনি। মরম অদুনা খ্বাই পূন্নমক্না ৱারোইবীদনবা খঙহঞ্জরি।

বিনিতগণ ঃ-
ৱাহেংবম ওংবী মেমী দেবী (লোইনবী) অমদি ইমুং-মনুংশিং
কৈশামথোং মনিং লোংজম লৈকাই, ইম্ফাল
# 8794248369
HL-P/6337/19,20,26

## ꯅꯨꯡꯁꯡ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্বুবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792
HL-B/7035/15/7-15/9

## কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 62,10,000+8,172 | 59,70,000+8,950 | 1,27,000+124 |
| Kerala | 31,50,000+16,148 | 30,10,000+13,197 | 15,269+114 |
| Karnataka | 28,80,000+1,869 | 28,20,000+3,144 | 36,121+42 |
| Tamil Nadu | 25,30,000+2,205 | 24,70,000+2,802 | 33,695+43 |
| Andhra Pradesh | 19,40,000+2,672 | 19,00,000+2,467 | 13,115+18 |
| Uttar Pradesh | 17,10,000+81 | 16,80,000+106 | 22,715+4 |
| West Bengal | 15,20,000+899 | 14,90,000+1,042 | 17,988+8 |
| Delhi | 14,40,000+59 | 14,10,000+91 | 25,027+4 |
| Chhattisgarh | 10,00,000+226 | 9,82,000+354 | 13,494+2 |
| Rajasthan | 9,53,000+42 | 9,44,000+47 | 8,949+2 |
| Odisha | 9,52,000+2,182 | 9,28,000+2,400 | 4,992+67 |
| Gujarat | 8,24,000+37 | 8,14,000+110 | 10,075+1 |
| Madhya Pradesh | 7,92,000+11 | 7,81,000+23 | 10,512+2 |
| Haryana | 7,70,000+41 | 7,59,000+47 | 9,593+7 |
| Bihar | 7,24,000+79 | 7,13,000+105 | 9,627+1 |
| Telangana | 6,36,000+729 | 6,22,000+772 | 3,756+5 |
| Punjab | 5,98,000+118 | 5,81,000+194 | 16,224+9 |
| Assam | 5,46,000+1,727 | 5,22,000+2,495 | 4,984+23 |
| Jharkhand | 3,47,000+61 | 3,41,000+64 | 5,120 |
| Uttarakhand | 3,41,000+32 | 3,33,000+73 | 7,356+1 |
| Himachal Pradesh | 2,04,000+113 | 2,00,000+138 | 3,505+1 |
| Goa | 1,70,000+159 | 1,65,000+152 | 3,109+3 |
| Puducherry | 1,20,000+94 | 1,17,000+171 | 1,776+1 |
| **Manipur** | **83,859+1,171** | **73,047+742** | **1,365+15** |
| Tripura | 73,615+325 | 68,344+416 | 725+2 |
| Chandigarh | 61,870+8 | 61,008+13 | 809 |
| Meghalaya | 57,000+507 | 51,981+585 | 939+8 |
| Arunachal Pradesh | 42,564+475 | 38,040+412 | 201+2 |
| Mizoram | 27,153+463 | 21,136+307 | 121+1 |
| Nagaland | 26,576+100 | 24,940+65 | 524+5 |
| Sikkim | 23,237+157 | 20,660+219 | 321+2 |
| Ladakh | 20,246+6 | 19,937+8 | 206 |
| Lakshadweep | 10,061+8 | 9,939+14 | 49 |
| Andaman and Nicobar Islands | 7,506+1 | 7,361+1 | 129 |